# লান মরক্তা য়ুক্রেনদা অনৌবা মিলিটরিগী মতেং পীবগী মতাংদা ইয়ুগী দিফেন্স মিনিষ্টরশিংনা য়ানবা পুরকপা ঙমদ্রে

**ব্রাসেলস মে ২৪ (এজেন্সী):**
য়ুক্রেনদা অনৌবা মিলিটরি মতেং পীবগী মতাংদা ইয়ুগী মেম্বর ষ্টেটশিংগী দিফেন্স মিনিষ্টরশিংনা য়ানবা অমা পুরকপা ঙমদ্রে হায়না ব্লোক অসিগী ফোরেন পোলিসি চীফ জোসেফ বোরেলনা ব্রাসেলসতা ফোঙদোকখ্রে।

বোরেলনা হায়খি, মদুদি লৈবাকপোকপা নুমিৎতা পাঙথোকখিবা ইয়ুগী দিফেন্স মিনিষ্টরশিংগী মীফমদা মেম্বর ষ্টেট অয়াম্বনা য়ুরোপিয়ন পিছ ফেসিলিটি বজেট য়ুরো বিলিয়ন ৩.৫ (দোল্লর বিলিয়ন ৩.৭৭) হেনগৎহনবগী প্রপোজেল অমা শৌগৎনখি। অদুম ওইনমক শেনফম অপুন্বদু য়ুক্রেনদা মতেং পাঙবদা শীজিন্নরোই।

মখা তানা বোরেলনা হায়খি, মদুদি হিরম অসিগী মতাংদা মেম্বর ষ্টেটশিংগী মরক্তা মত অমত্তা ওইনা য়ানবা ঙমদ্রি। ৱাফম অসি হৌজিকসু মখা তানা খন্নরি। অথুবা মতমদা লৈহৌরিবা খুরৌশিং অদু লাকহৎপা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈ।



য়ুক্রেনদা ইয়ুগী মায়কৈদগী য়ুরো বিলিয়ন ১০ হেনবগী মিলিটরি মতেং পীখ্রবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। বোরেলগী মতুং ইন্না ইয়ু লৈবাকশিংনা য়ুক্রেনদা হৌখিবা মার্চতগী আর্টিল্লরি সেল ২,২০,০০০ অমসুং মিসাইল ১,৩০০ পীখ্রে। আইটেমশিং অসি খক্তনা মিলিটরিগী মতেং অদু য়ুরো মিলিয়ন ৮০০ ওইগনি অমসুং ইয়ুনা য়ুরো বিলিয়ন অমগী এম্যুনেসন পীনবসু হোৎনরি।

মহাক্না হায়খি, মদুদি ঐখোয়গী পান্দমদি মথংগী থা ১২ অসিগী মনুংদা য়ুক্রেনদা প্রোজেক্টাইল মিলিয়ন অমা পীবা অসিনি। ইয়ুনা হৌজিক ফাওবদা য়ুক্রেনগী লান্মী লিশিং ২০ হেন্না ট্রেনিং পীখ্রে অমসুং চহী অসি লোইদ্রিবা ফাওবগী মনুংদা য়ুক্রেনিয়ন লান্মী লিশিং ৩০ ট্রেনিং পীবগী পান্দম থল্লি।

মচিন অহুম লোংবা ষ্ট্রেটেজি অমগী মনুং চন্না মেম্বর ষ্টেটশিংদা মখোয়গী ষ্টোকশিংদগী এম্যুনেসন পীনবা খঙহনবা লৈরে। মসিদা নত্তনা এমএন ১৫৫ কেলিবর এম্যুনেসন পুন্না পোক্যুর তৌনবা হোৎনমিন্নবগা লোয়ননা মথৌ তাবা এম্যুনেসন শানবা য়ুরোপিয়ন ইন্দষ্ট্রিগী কেপেবিলিটি হেনগৎহন্নবগী থৌরমসু লৈরে।

মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা নাটোগী সেক্রেটরি জেনরেল জেন্স ষ্টোলটনবর্গনা য়ুক্রেনগী কনফ্লিক্টকী খ্বাইদগী নৌবা দিভলপমেন্টশিংগী মতাংদা মেম্বর ষ্টেটশিংগী দিফেন্স মিনিষ্টরশিংদা ব্রিফ তৌখি।

য়ুক্রেনিয়ন পাইলোটশিংবু এফ-১৬ জেটশিং শীজিন্নবগী ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমা হৌদোক্লবা লৌখিবা ৱারেপ বোরেলনা তরাম্না ওকখি। অদুগুম্বা ট্রেনিং অদুনা পোজিটিব মুমেন্টম অমা লাকহন্দুনা জেটশিং অসি য়ুক্রেনদা দিপ্লোই তৌবগী খোঙথাং শোয়দনা লাক্লগনি হায়বগী থাজবসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি, মদুদি য়ুক্রেনিয়ন পাইলোটশিংগী ট্রেনিং প্রোগ্রাম হৌখিবা অসিদা মঙোন্দা য়াম্না নুংঙাইবা ফাওই। অথুবা মতমদা য়ুক্রেনদা অসিগুম্বা সোফিষ্টিকেটেদ ওইরবা খুৎলায় অসি পীবা ঙম্লগনি হায়না মহাক্না থাজে হায়না বোরেলনা ব্রাসেলসতা মীফম অদু হৌদ্রিঙৈগী মাঙওইননা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙবদা ফোঙদোকখি।

# ওষ্ট্রেলিয়াগী আর্মি চীফনা অফঘানিষ্টান লানগী ভেটরনশিংদগী মেদলশিং লৌথোক্লবা খঙহনখ্রে

**কানবেরা, মে ২৪ (এজেন্সী):**
অফঘানিষ্টানদা মথৌ তৌখিবা ওষ্ট্রেলিয়ন লান্মী খরদা পীখিবা দেকোরেসনশিং লৌথোক্লনবা ওষ্ট্রেলিয়ন দিফেন্স ফোর্স (এ দি এফ) কী চীফ এঙ্গস কেনবেলনা মিনিষ্টর ফোর দিফেন্সতা খঙহনখ্রে হায়না লোকেল মেদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি।

লান্মীশিং অদুগী মায়োক্তা ৱার ক্রাইমশিং চখিবগী মরাল কয়া শীন্নরকখিবগা লোয়ননা থিজিন হুমজিনবগী থবক খরা চথরবা মতুংদা খোঙথাং অসি লাকপনি।

এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়রি, মদুদি কুমজা ২০২১ গী ওগষ্টতা টালিবানননা কাবুল পায়শিন্দ্রিঙৈগী মমাঙদা ওষ্ট্রেলিয়ানা অফঘানিষ্টানদা লান্মী ৪০০ থমদুনা মখা তাবা ওপরেসন চথখি। অফঘানিষ্টানগী লানদা শরুক য়াখিবা ওষ্ট্রেলিয়ন লান্মীশিংগী মায়োক্তা শীরিবা ৱার ক্রাইমগী মরালশিং এ দি এফনা লেপ্তুনা য়েংশিনবগা লোয়ননা খোঙথাং অসি লাকপনি।

য়াম্না মরু ওইবা ইনক্কারি অমদা ওষ্ট্রেলিয়ন স্পিসল ফোর্সেসকী লান্মীশিংনা কুমজা ২০০৫ অমসুং



২০১৬ গী মনুংদা অফঘান প্রিজনর অমসুং সিভিলিয়ন ৩৯ হাৎখি হায়বগী থাজনিংঙাই ওইবা ইভিদেন্স ফঙখি। হৌজিক্কী অমসুং হান্নগী এ দি এফ মেম্বরশিংদা থাবা লেটর অমদা কেনবেলনা মখোয়দা অফঘানিষ্টানগী লান মনুংদা থোইদোক হেন্দোকপা সর্ভিস উৎখিবগীদমক্তা পীখিবা মখোয়গী মেদলশিং য়াম্না থুনা লৌথোক্লগনি হায়না খঙহনখি।

ওষ্ট্রেলিয়ন ব্রোদকাষ্টিং কোর্পোরেসন (এ বি সি) গী মতুং ইন্না মহাক্না লেটর অদুদা মহাক্না খঙহল্লিবা ৱাফম অদুবু য়াবগী ৱারেপ অদুদি মিনিষ্টরনা মনিং তৌনা লেপচগদবনি। মরু ওইনা মরী লৈনবা ইনফোর্মেসন কুপ্না খন্নরবা মতুংদা মিনিষ্টরনা মহাক্না লেটর অদুদা পল্লিবা ৱাফম অদুগী মতাংদা ৱারেপ অমা লৌবীগদবনি হায়খি।

লেটর অদুগী খুথাংদা মহাক্না এ দি এফকী মেম্বরশিং অদুদা হায়খি, মদুদি করিগুম্বা মিনিষ্টরনা নখোয়গী এৱার্দ অদু কেন্সেল তৌফম থোকই হায়না মহাক্কী ৱারেপ খঙহল্লকপা তারবদি হিরম অসিগী মতাংদা গভর্ণর-জেনরেলদা রিকমেন্দেসন অমা পীগনি। মদুগী মতুংদা গভর্ণর-জেনরেলনা ৱারেপ অমা লৌগনি।

ইনক্কারি রিপোর্ট অদুদা লোনা য়াদবা মওংদা প্রিজনরশিং লৌমীশিং নত্ত্রগা সিভিলিয়নশিং হাৎপদা স্পিসল ফোর্সেসকী লান্মী ২৫ না শরুক য়াখি হায়না পনখি।

# ইজরেলগী মিলিটরি চীফনা ইরানগী মায়োক্তা এক্সন লৌখৎকনি হায়না ৱার্নিং তৌখ্রে

**জেরুসালেম, মে ২৪ (এজেন্সী):**
ইজরেল্লি মিলিটরি চীফ ওফ ষ্টাফ হের্জি হালেবিনা নেগেটিব দিভলপমেন্ট কয়া উরে হায়না ইজরেলনা ইরানগী মায়োক্তা এক্সন লৌখৎলকপা য়াই হায়না ৱার্নিং তৌখ্রে।

টেল অভিবকা নক্লবা হেসলিয়াদা লৈবা রেকমান য়ুনিভর্সিটিদা পাঙথোকখিবা সেক্যুরিটি কনফরেন্স অমদা ৱা ঙাঙলদুনা হালেবিনা হায়খি, মদুদি ইজরেলনা মসিগী খ্বাইদগী চাওবা য়েক্লবনি হায়না লৌরিবা ইরাননা হৌখিবা চহী খরা অসিদা মমাঙদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা মওংদা য়ুরেনিয়ম ইনরিচমেন্টগী থবক য়াম্না খুমাঙ চাওশিন্না চথুখি।

ইরানগী ন্যুক্লিয়র খুৎলায় প্রোগ্রামগা মরী লৈনবা য়ুরেনিয়ম ইনরিচমেন্টগুম্বা থবকশিং অসি ঐখোয়না তঙাই ফদনা এক্সন লৌখৎলকপা য়াবা নেগেটিব দিভলপমেন্টশিংনি। ঐখোয়দা ইরানগী মায়োক্তা এক্সন লৌখৎপা ঙম্বগী কেপেবিলিটি মতিক চানা লৈ হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।



হেলবিনা ইরানবু ইজরেলগী মায়োক্তা লৈবা খুদিংমক্তা মরী থম্নে অমসুং মখোয়দা ষ্ট্রেটেজিক অমসুং ইন্টলিজেন্স সপোর্টকা লোয়ননা ফনিদং পী হায়না মরাল শীখি। ইজরেলগী দিফেন্স মিনিষ্টর য়োব গলাননা হৌখিবা দিসেম্বরদগী সিরিয়াদা লৈবা ইরানিয়ন টার্গেটশিংদা ইজরেলনা চথখিবা এয়র ষ্ট্রাইক মশিং শরুক অনী হেনগৎখি হায়না ইজরেল্লি দিফেন্স মিনিষ্টর য়োব গলাননা ফোঙদোকখিবা মতুং মথংগী নুমিত্তা হলেবিনা ৱাফম অসি ফোঙদোরক্লিবনি।

মহাক্না হায়খি, মদুদি ইজরেলগী কেম্পেইন অসিগী মনুং চন্না ঐখোয়গী সিরিয়াদা লৈবা ইরানিয়ন ইন্টলিজেন্স কেপেবিলিটিশিংদা সিষ্টেমেটিক এটেক চথনবা হোৎনরি।

ইজরেল্লি মিলিটরি চীফ ওফ ষ্টাফ অসিনা মখা তানা হায়খি, মদুদি অসিগুম্বা ষ্ট্রাইকশিং অসিনা ইজরেল্লি বোর্দরদগী শুপ্নগী কিমি খরা লাপ্না চঙশিল্লগা রিভোলুসনরি গার্দশিংনা মখোয়গী খোঙফম অমা শেম্নবা হোৎনরক্লিবশিংদা অকায়বা চাওনা পী। পনবা য়াবদি, ইজরেল অসি কুমজা ২০১৫ গী ইরান ন্যুক্লিয়র দিল অসিবু হেনগৎহন্নবা হোৎনবদা য়ানিংদবা উত্তুনা লাকপা লৈবাক্নি।

# হকচাং ১৪ ফংলবা মতুংদা শ্রীলঙ্কন নেভিগী রেস্ক্যু ওপরেসন লোইশিনখ্রে

**কলম্বো, মে ২৪ (এজেন্সী):**
ঈশিংদা লূপখ্রবা চাইনিজ দিপ-সী ফিসিং ভেসেল অমগী ওপরেসনদা মতেং পাঙনবা শ্রী লঙ্কন নেভিনা চথরকখিবা থী হুম্বা অমসুং মীকনবগী ওপরেসন অশিবা হকচাং লৌখৎলবা মতুংদা লোইশিনখ্রে।

ইন্দিয়ন ওসিনগী ময়াই থংবা শরুক্তা মে ১৬ তা লূপখিবা ভেসেল অদুদা তোংখিবা মীওই ৩৯ গী মনুংদা ১৭ না চাইনিজ মেরিনরশিংনি অমসুং ১৭ অমনা ইন্দোনেসিয়ন মেরিনরশিংনি অমসুং মঙানা ফিলিপিন মেরিনরশিংনি।

নেভিগী স্পোক্সমেন কেপ্টেন গয়ান ৱিক্রামা সুরিয়ানা এজেন্সিদা হায়খি, মদুদি য়াম্না মরু ওইবা মিশন অমা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা দাইবরশিংনা শ্রী লঙ্কাগী সমুদ্র খোঙবানদগী নোটিকেল মাইল ৭০০ হেন্না লাপ্লা ইন্দিয়ন ওসিনদা লূপখিবা ভেসেল অদুগী মনুংদগী হকচাং ১৪ রিকোভর তৌখি।

শ্রী লঙ্কন নেভিগী দাইবরশিংনা ভেসেল অদুগী মনুংদা ক্রু মেম্বরশিংগী অহেনবা হকচাং ১২ থেংনখিবগা লোয়ননা ওপরেসন অদু এমবি সান্দোং দে লোংদা থুংলখিবা চাইনিজ সালবেজ টিমদা শীন্নখ্রে। প্রোটেক্টিং গ্যার মতিক চাদবগা লোয়ননা ফত্ত্রবা ঈশিং মরক্তা ওপরেট তৌবদা হকচাংদা শোক্লিংঙাই ওইবগী ফিভম লৈবগা লোয়ননা অশিবা হকচাংশিং অদু পুমথরকপনা মরম ওইরগা হকচাংশিং অদুবু লৌখৎনবা হোৎনবা হায়বসি য়াম্না খুদোংথীনিঙাই ওইবা য়াই হায়না লেপ্নখি। মথংগী খোঙথাং ওইনা শ্রী লঙ্কন নেভিগী দাইবরশিং অদুগী সেপতিদা মীৎয়েং থম্বগা লোয়ননা হকচাংশিং অদুগী লৈফমশিং লেপথোক্লবা ৱারেপ লৌখি হায়না স্পোক্সমেন অসিনা ফোঙদোকখি।

চাইনিজ গভর্ণমেন্টনা ইন্দিয়া, ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং শ্রী লঙ্কা য়াওনা লমদম অসিগী লৈবাক মঙাগী মতেং নিরকপদগী শ্রী লঙ্কন নেভিনা ওপরেসন অদু লোঞ্চ তৌখিবনি। বৈজিংনা মতেং নিরকপা অদুগী পাউখুম ওইনা ইন্দিয়ন নেভিনা ইন্দিয়ন ওসিন রিজনগী খা থংবা শরুক্তা এয়র এম আর এসেটশিং দিপ্লোই তৌখি। বেসেল অদু ওষ্ট্রেলিয়াগী পাক চাওরবা ছর্স-এন-রেস্ক্যু রিজনগী মনুং চন্না লূপখিবনি।

# ন্যুক্লিয়র রিএক্টর অমুক হন্না মথৌ তৌবা হৌহন্দনবা তকশিল্লকখিবশিং কোর্টনা রিজেক্ট তৌখ্রে

**টোকিও, মে ২৪ (এজেন্সী):**
জপানগী মিয়াগী প্রিফেকচরদা ন্যুক্লিয়র রিএক্টর অমা অমুক হন্না মথৌ তৌবা হৌহন্নবা লৌখৎলক্লিবা থৌরাং লেপহন্নবা লোকেল মীওইশিংনা মদুবু লেপ্পনবা তকশিনখিবা ৱাফম য়ুমশকৈশ নুমিত্তা জপানিজ কোর্ট অমনা রিজেক্ট তৌখ্রে।

ওথোরিটিশিংনা পুথোরক্লিবা ইস্মর্জেন্সি ইভাক্যুএসন প্লান্টশিংদা অশোয়বা কয়া য়াওরে হায়রদুনা লোকেল মীওইশিং অদুনা ন্যুক্লিয়র রিএক্টর অদুবু অমুক হন্না মথৌ তৌবা লেপ্পনবা তকশিনখিবনি।

অরুবা এক্সিদেন্ট থোক্লকপা য়াবগী ফিভম লৈতবনা ওন্নগৱা ন্যুক্লিয়র প্লান্টকী নম্বর ২ রিএক্টরগী মথৌ অমুক হৌহন্নবগী থৌরাং অদুবু লেপহন্নবা প্লেন্টিবশিংনা তকশিল্লিবা ৱাফম অদু মরম চাদে হায়না সেনবাই দিষ্ট্রিক্ট কোর্টনা রুল্লিং পীখি।

প্রিসাইদিং জজ মিসুসিরো সাইটোনা হায়খি, মদুদি রেদিও এক্তিব মেটরিএলশিং এবনোর্মেল ওইবা মওংদা থাদোরকপা য়াবা এক্সিদেন্ট অমা থোক্লকপা য়াবগী



অকক্লবা দেঞ্জর অমা লৈরে হায়না ঐখোয়না ৱাখলনা শাজিনবা য়ারোই। দেঞ্জর থোক্লকপা য়াবগী ফিভম লৈ হায়বা চপ চানা লেপ্পা য়াবা অমত্তা উদবনা মরম ওইদুনা ওথোরিটিশিংগী ইভাক্যুসন প্লান্টশিং অদু ইফেক্তিব ওই নত্ত্রগা ওইদে হায়বসি হৌজিক কনামত্তনা হায়বা য়ারোই হায়না মহাক্না রুল্লিং অদুদা পনখি।

টোহুকু ইলেক্ট্রিক পৱার কোনা ওপরেট তৌবা প্লান্ট অদুদা লৈরিবা রিএক্টর অদুবু মতম কয়াগী মতুংদা অমুক হন্না মথৌ তৌহন্নবা হোৎনরক্লিবা অদুবু লেপহন্নবা থাখিবা সুট অদু য়ুমথংনরিবা ইসিনোমাকিগী রেসিদেন্সশিংননি। মখোয়না সিটি অদুগী অমসুং প্রিফেকচর অদুগী এভাক্যুসন প্লান্টশিং অদু অরুবা ইস্মর্জেন্সিগী কেসতদি প্রেক্তিকেল ওইরোই হায়খি।

মতম শাংনা মথৌ লেপ্তুনা লাক্লবা রিএক্টর অদুবু অমুক হন্না মথৌ তৌবা হৌহনবা হায়বসি কুমজা ২০১১ দা থোকখিবা য়ুহা অমসুং শাথিরবা সুনামিনা অৱাং নোংপোক লমদমগী মফম অদুদা অহানবা ওইনা ন্যুক্লিয়র রিএক্টর মথৌ হৌহনবা ওইগদৌরিবনি।

শাথিরবা সুনামিগী দিজাষ্টর অদুনা কুমজা ১৯৮৬ তা থোকখিবা চর্নোবিল ন্যুক্লিয়র দিজাষ্টর অদুগী মতুংদা খ্বাইদগী শাথিবা ন্যুক্লিয়র দিজাষ্টর থোকহনখি। সুনামি অদুনা ফক্কুসিমা ন্যুক্লিয়র পৱার প্লান্টদা লৈরিবা রিএক্টরশিংদা মেলদাউনশিং থোকহনখিবনি। রেসিদেন্টশিংনা মখোয়গী আর্গুমেন্টদা দিজাষ্টর অমা থোক্লকপা মতমদা মখোয় রেদিএসনদা এক্সপোজ তৌবা য়াবগী রিস্ক ৱাংগনি হায়খি।

# য়ুএস লোমেক্করশিংনা পিএম মোদিবু কংগ্রেসকী জোইন্ট সেসনদা ৱা ঙাঙহনবা পাল্লি

**ৱাশিংতন, মে ২৪ (এজেন্সী):**
লাক্লিবা জুনদা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্দিয়াগী পিএম নরেন্দ্র মোদিগী ষ্টেট খোঙচৎ মনুংদা কংগ্রেসকী জোইন্ট সেসন অমদা ৱা ঙাঙহন্নবা মহাকপু ইনভাইট তৌননবা হাউস ওফ রিপ্রজেন্টেটিবকী য়ুএস লোমেক্কর গ্রুপ অমনা তকশিনখ্রে।

প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা ইনভাইট তৌবদগী পিএম মোদি য়ুএসতা ষ্টেট খোঙচৎ অমা পাঙথোক্কদৌরিবনি। রিপ্রজেন্টেটিবশিং ওইরিবা দিমোক্রেট রো খানা অমসুং রিপব্লিকান জেমস ৱালসনা হাউস ওফ রিপ্রজেন্টেটিবকী স্পিকর কেবিন মের্কাথিদা ইখিবা জোইন্ট লেটর অদুদা হায়খি, মদুদি কুমজা ২০২৩ গী জুন ২২ দা প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিগী ওফিসল ষ্টেট খোঙচৎ অমসুং ষ্টেট দিনর অমগী হোষ্ট ওইরগনি।

ষ্টেট দিনরশিং হায়বসি প্রসিদেন্টনা য়ুএসতা লাক্লিবা হেদ ওফ ষ্টেটপু খ্বাইদগী হেন্না ইকায় খুম্নবা উত্তুনা লাংবনি। অদুনা কংগ্রেসকী জোইন্ট সেসন অমদা ৱা ঙাঙহনবা অসি মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা দিমোক্রেসিগী লিদর অসিবু ইকায় খুম্নবা উৎপদা খ্বাইদগী মতিক চাবা থৌওং ওইগনি। ইন্দিয়া অসি ২১ শুবা চহী চাদা য়ুএসনা চাইনাবু মায়োক্লবদা খ্বাইদগী মরু ওইবা পার্টনর ওইবা য়াই।

লেটর অদুনা মখা তানা হায়রিবদি পিএম মোদিবু কংগ্রেসকী জোইন্ট সেসন অমদা ৱা ঙাঙহনবা অসিনা য়ুএস অমসুং ইন্দিয়াগী অচেৎপা মরী অমসুং মতম শাংলক্লবা ফ্রেন্দশিপ চেৎশিলহল্লগনি হায়না ঐখোয়না থাজে।

# টেক্নিকেলগী অশোয়বা লৈবদগী সাউথ কোরিয়ানা স্পেস রোকেট নুরি থাগৎপা থিন্থরগনি

**সিওল, মে ২৪ (এজেন্সী):**
সাউথ কোরিয়ানা অরোইবা প্রিপরেসনদা টেক্নিকেলগী অশোয়বা অমা থেংনরকপদগী মসিগী স্পেস রোকেট নুরি লোঞ্চকী মতম য়ৈথোক্লবা য়ুমশকৈশ নুমিত্তা ৱারেপ লৌখ্রে।

গোহিয়ুংদা লৈবা নারো স্পেস সেন্টরদা ব্রিফিং অমদা ভাইস সাইন্স মিনিষ্টর ওহা টেসিওক্না হায়খি, মদুদি হিলিয়ম ভাল্ব অমা কন্ট্রোল তৌবা মতমদা এরো স্পেস ইঞ্জিনিয়রশিংনা লোঞ্চ কন্ট্রোল কম্প্যুটর অমা অমসুং লোঞ্চ পেদ ফেসিলিটি কন্ট্রোল কম্প্যুটর অমগী মরক্তা কম্যুনিকেসন প্রোব্লেম অমা থেংনখি।

ভাল্ব অদুদা অশোয়বা অমত্তা লৈত্রবসু ওটোমেটিক ওপরেসন সিষ্টেমদা মথৌ তৌরকপা মতমদা সিষ্টেম অদু প্রোব্লেম লাকপা য়াই। মসিনা মরম ওইদুনা ঐখোয়না তঙাই ফদনা হান্না মতম লেপখিবা লোঞ্চ অদু কেন্সেল তৌখিবনি। ইঞ্জিনিয়রশিংনা প্রোব্লেম অদু লোকেল মতমদা অয়ুক পুং ৩.৩০ রোম তাবদা থেংনখি। মদু মখোয়না রোকেট অদুদা ফ্যুএল অমসুং ওক্সিদাইজর ইনজেক্ট তৌবা হৌরমদাইদনি। প্রোসেস অপুন্বা অদুবু য়েংশিল্লিবা লোঞ্চ মেনেজমেন্ট কম্মিটিনা ইস্যু অসিগী মতাংদা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা লোঞ্চকী সেদ্যুল থিন্থনবা ৱারেপ লৌখি।

# দোনাল্ড ট্রম্পকী তুমিন্না লৈনবা শেল পীবগী কেসকী ৱায়েল ২০২৪ গী মার্চতা চথরগনি

**ন্যু য়োর্ক, মে ২৪ (এজেন্সী):**
য়ুএসকী হান্নগী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্প অমসুং এদল্ট ফিল্ম এক্ট্রেস ষ্টোর্মি দেনিএলস চেন্নবা হস-মনি পেমেন্ট কেসকী ৱায়েলগী তারিখ ন্যু য়োর্ককী জজ অমনা কুমজা ২০২৪ গী মার্চ ২৫ দা লেপখ্রে।

বি বি সিগী রিপোর্ট মতুং ইন্না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা পাঙথোকখিবা কেস অদুগী হিয়ারিং অদুদা ৱাফম অসি ট্রম্পতা খঙহনখিবনি। হান্নগী প্রসিদেন্ট অসিনা দোল্লর ১৩০,০০০ পীখিবদু দনিএলবু কুমজা ২০০৬ তা ট্রম্পকা মহাক্না লৈনখিবা সেক্সুয়েল মরীগী ৱাফম মীয়ামদা ফোঙদোক্তনবগীদমক্তনি হায়রি।

অদুম ওইনমক হান্নগী প্রসিদেন্ট অসিনা এদল্ট ফিল্ম এক্ট্রেস অদুগা মহাক্না অসুম্না সেক্সুয়েল মরী লৈনখি হায়বসি য়াখিদে অমসুং মহাক্না অরানবা তৌখি হায়বা ৱাফম



রিজেক্ট তৌখি অমদি ইনক্কারি অদু পোলিটিকেলগী ইথিল য়াওই হায়না মরাল শীখি।

লৈবাকপোকপা নুমিৎকী হিয়ারিং অদু ট্রম্পনা কেস অসিগা মরী লৈননা কোর্ট কাবা অনীরকশুবনি। মহাক অহানবা ওইনা হৌখিবা এপ্রিলদা ফাখি অমসুং ন্যু য়োর্ককী কোর্ট অমদা পুথোকখি। কোর্ট অদুদা মহাকপু লমায় ১৬ কী ইন্দাইটমেন্ট অদুদা নমথাক্না মরী লৈনবা ফেলোনিগী মরাল ৩৪ শীখি। তুমিন্না লৈনবা শেল পীবা হায়বসি লোনা য়াদবা থৌওং অমা নত্ত্রবসু ট্রম্পকী মায়োক্তা লৈরিবা কেস অসি দেনিএলদা শেল পীখিবা মহাক্কী হান্নগী উকিলনা হান্নগী প্রসিদেন্ট অসিগী একাউন্টশিংদা মহাক্কী রিএম্বর্সমেন্ট করম্না রেকোর্দ তৌখিবগে হায়বগী ৱাফম চেন্নে হায়রি।

ট্রম্পপু পেমেন্ট অদু লিগেল ফিনি হায়রদুনা মহাক্কী বিজিনেস রেকোর্দশিং শেমদোকপগী মরাল শীখি। ওইরক্লিবা দিভলপমেন্ট অদুগী পাউখুম ওইনা ট্রম্পনা মহাক্কী সোসল নেটৱার্ক ট্রুদ সোসলদা মখোয়না প্রাইমারি সিজন অসিগী মরক্তা মার্চ ২৫ দা ৱায়েলগী মতম নমদুনা লেপশিনখিবা অসি য়াম্না ফজদে হায়না ইখি।

কুমজা ২০২৪ গী মার্চ অসি রিপব্লিকান প্রসিদেন্সিএল কেন্দিদেট ওইরক্লবা হোৎননরিবা ট্রম্প অমসুং অতৈ কেন্দিদেটশিংগী য়াম্না মথৌ চিনবা থা ওইগদৌরিবনি। কেন্দিদেটশিংনা হৌখিবা ফেব্রুৱারীগী অঙনবা শরুক্তগী য়ুএসকী ষ্টেট অমসুং টেরিটরি খুদিংমক্তা লেপ্তুনা পাঙথোক্তুনা লাক্লিবা কনভেন্সনশিং, প্রাইমারিশিং অমসুং কোকসশিংদা শরুক য়ারক্লিবনি। মদু জুন থাদা লোইরগনি।

# কোঙ্গোদা নোং কন্না চুবদগী মীওই ৪৮৩ শিখ্রে

**য়ুএন, মে ২৪ (এজেন্সী):**
কোঙ্গোদা নোং কন্না অমসুং লেপ্তুনা চুবদগী ইস্মর্জেন্সি রেস্পোন্স লেপ্তুনা চথবগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা শিখিবা মী মশিং ৪৪৩ য়ৌরে হায়না য়ুএন হ্যুমেনিটরিয়নশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

য়ুএন ওফিস ফোর দ কোওর্দিনেসন ওফ হ্যুমেনিটরিয়ন এফিয়র্স (ও সি ঐচ এ) না হায়রিবদি মেগী অঙনবা শরুক্তগী নোং লেপ্তুনা চুরকপদগী মফম কয়াদা ঈশিং থুম্বগা লোয়ননা লেন্দ স্লাইদশিং থোকপদা মীওই কয়া শিখিবগা লোয়ননা মীওইচা কয়া অমসু অশোক অপন নঙলে অমদি মীওই কয়া অমনা মাঙখ্রে।

রেস্ক্যুৱরশিং রেস্পোন্দরশিংনা মরু ওইনা নোংপোক থংবা সাউথ কিবু প্রোভিন্সকী কালেহে টেরিটরিদা লৈবাক তৌথোক্লবা অমসুং অশিবা হকচাংশিং ফুমজিন্নবা হেভি ইক্বিপমেন্ট মথৌ তাই হায়না দিমান্দ তৌরি।

ও সি ঐচ এনা মখা তানা হায়রিবদি অতৈ খ্বাইদগী মরু ওইনা য়েংশিনগদবা মীওইশিং অদুগী লৈফম চাফমশিং পীবা, অমাঙ অতা থোক্লবা লম্বীশিং অমদি থোংশিং চথোক চৎশিন তৌবা য়ানবা মওংদা শেমজিন্দুনা অৱা অনা নঙলবশিংদা মতেং য়ৌহনবা অসিনি।

হ্যুমেনিটরিয়ন ওফিস অসিনা হায়রিবদি য়ুম ৩০০০ অমসুং অঙাং ৯০০০ হেন্না তল্লিবা স্কুল কয়া অমাঙ অতা থোক্লে। হৌখিবা মে ১০ দগী হৌজিক ফাওবদা য়ামদ্রবদা মীওই ১৭,০০০ না চিঞ্জাক, হেল্‌থ ক্যের, লৈফম অমসুং সাইকো সোসল সপোর্ট ফঙলে হায়না ও সি ঐচ এনা ফোঙদোকখি।

ওফিস অসিগী মতুং ইন্না হ্যুমেনিটরিয়নশিংনা অৱাবা নঙলবা কম্যুনিটিশিংদা নুমিৎ খুদিংগী অফবা ঈশিং লিটর ৫০,০০০ হেন্না পীরি।

কোঙ্গোগী য়ুএন হ্যুমেনিটরিয়ন কোওর্দিনেটর ব্রুনো লেমার্কিসনা মখা তানা ওপরেসনশিং চথনবগীদমক হ্যুমেনিটরিয়ন ফন্দদগী দোল্লর মিলিয়ন অহুম কায়থোক্লে হায়না হ্যুমেনিটরিয়ন ওফিসনা মখা তারি।

# পি টি আইগী লিদর ৭৪৬ মপানদা চৎপা য়াহন্দনবা এফ আই এদা পুলিসনা খঙহনখ্রে

**লাহোর, মে ২৪ (এজেন্সী):**
লাহোর পুলিসনা পাকিষ্টান টেহরিক-ই-ইনসাফ (পি টি আই) গী লিদর ৭৪৬ কী লিষ্ট অমা শেমদুনা ফেদরেল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি (এফ আই এ) দা থাখিবগা লোয়ননা মখোয়না মপানদা চৎপদা থা অমগী ওইনা অথিংবা থম্নবা খঙহনখ্রে।

দোনগী রিপোর্টনা হায়রিবদি পঞ্জাব গভর্ণমেন্টনা রাইওটশিং অমসুং য়ুম কৈশিং মৈ থাবদা চেন্নরিবা মীওইশিংদুগী মায়োক্তা চথরিবা লিগেল প্রোসিদিং হেন্না য়াংশিলহন্নবসু ৱারেপ লৌখ্রে।

পার্টিগী চিয়ারমেন ইমরান খান ফাখিবা মতুং মে ৯ দগী চথরকখিবা ভাইওলেন্সতা চেন্নবগীদমক পি টি আইগী লিদর অমসুং এক্তিভিষ্ট ৭৪৬ ওথোরিটিশিংনা য়েংশিল্লকখিবনি। এফ আই এদা মখোয়গী মিংশিং অদু মতম খরগী ওইনা মপানদা চৎপদা অথিংবা পীরিবা প্রোভিজনেল নেসনেল আইদেন্টিফিকেসন লিষ্ট (পি এন আই এল) দা হাপচিন্নবা হায়জখি।

এফ আই এদা থাখিবা লিষ্ট অদুদা ফেসন দিজাইনর খাদিজা সাহ, পি টি আইগী সিনিয়র লিদর সবকট মহমুদ খানগা নক্লবা মরী মতা হাসন নিয়াজি, জমন পার্ককী মপানদা অকনবা প্রোটেষ্ট চথবগীদমক্তা মীয়াম্না খঙনরকখিবা পার্টিগী সপোর্টর সনম জাবেদ খান অমসুং অতৈশিং য়াওরি।

মপানদা চৎপদা অথিংবা থম্বগী ৱাফম অসি পঞ্জাব সেফ সিটি কেমেরাশিং, ভিদিও ক্লিপশিং, নদ্রাগী দেটা বেজ, ইন্টলিজেন্স এজেন্সিশিংগী রিপোর্টশিং অমসুং অতৈ ছোর্সশিংদগী পুলিসনা পি টি আইগী লিদরশিং আইদেন্টিফাই তৌরবা মতুংদা প্রপোজ তৌখিবনি।

পুলিসকী মতুং ইন্না এক্যুজশিং অসিনা মে ৯ দা মিলিটরি ইন্সটোলেসনশিংদা থোমজিল্লগা এটেক চথখি। এফ আই এগী সেনিয়র ওফিসল অমগী মতুং ইন্না মীওই অমবু মপানদা চৎপা থিংনবগী ওপসনশিংদা এক্সিট কন্ট্রোল লিষ্ট, পার্সপোট কন্ট্রোল লিষ্ট অমসুং পি এন আই এল য়াওরি।

# ‘খোইরাং খোইশাওনরবা মহৈরোয় অমনা গয়ানাগী স্কুল দোমিট্রি মৈ থাখিবা ওইরম্বা য়াই’

**জোসটাউন, মে ২৪ (এজেন্সী):**
চয়োল অসিগী অঙনবদা থোকখিবা অঙাং ১৯ শিখিবা স্কুল দোমিট্রি অমা মৈ চাকখিবগী থৌদোক অদু ওজা অমনা মোবাইল ফোন মুনবদগী খোইরাং খোইশাওরবা নুপী মহৈরোয় অমনা পাঙথোকখিবা ওইবা য়াই হায়বগী চিঙনবা লৈ হায়না পুলিসনা হায়রি।

মৈ অদু নোংমাইজিং নুমিৎকী নোংয়াই য়ৌরমদাই পুং ১১.৪০ রোম তারকপদা সেন্ট্রেল গয়ানাগী মহাদিয়া সেকেন্দরি স্কুলগী দোমিট্রিদা চাক্লকখিবনি।

গয়ানাগী প্রসিদেন্ট মোহমদ ইর্ফান অলিনা থৌদোক অদুবু অচৌবা দিজাষ্টর অমনি হায়না ফোঙদোকখি। দোমিট্রি মৈ চাকপদা শিখিবশিং অদুগী মনুংদা নুপী মহৈরোয় ১৮ অমসুং চহী নৌরিবা নুপামচা অমা য়াওখি। হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা পুলিসনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি, মদুদি মহাদিয়াগী স্কুল অদুদা নোংমাইজিং নুমিৎকী অহিংদা থোকখিবা শাথিরবা মৈহৌ লাংপোক অদুগী মরমদা হৌজিক ফাওবদা থিজিল্লকপদা নুপী মহৈরোয় অমনা দোমিট্রি অদুবু মৈ থাখিবনি হায়বগী ইঙ্গিৎ ফঙখি।

মহাক্না শাউবগী মরম্না দোমিট্রি অদুগী মাদর অমসুং ওজা অমনা মহাক্কী সেলুলর ফোন নমদুনা লৌখিবা অসিনি। অহানবদা ফায়র ফাইটিং ওফিসলশিং অমসুং পুলিসনা মৈ অদু ফত্তবা ৱাখল অমগা লোয়ননা থাখিবনি হায়না থাজনখি।

ফায়র ফাইটরশিংনা অহানবা ওইনা নোংমাইজিং নুমিৎকী অঙনবদা মফম অদুদা য়ৌখিবা মতমদা বিল্ডিং অদু মৈরিনা পুময়োম য়োম্না চাক্লমখি। তৌইগুম্বসুং মখোয়না কন্না হোৎনদুনা মহৈরোয় ২০ রেস্ক্যু তৌবা ঙমখি। মখোয়না বিল্ডিং অদুগী ৱালগী শরুক অমা থুগায়রগা মহৈরোয়শিং অদুবু কনবা ঙমখিবনি। মৈ অদু মহৈরোয়শিংনা দোমিট্রি অদুদা তুল্লিঙৈ মতমদা চাক্লকখিবনি।